ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ০৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২২৫শুবা মশীং

# পেন্সন ফংলবা অহলশিংগী অৱাবা

## মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই

লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা মীওই পূন্নমক অকক্নবা চহী মতাং অমা হেক য়ৌবগা থবক্তগী পোত্থাহন্নবা থৌশিল অমা চৎনরি। মতম-মতমগী মতুংইন্না অনৌবা থৌশিল কয়া শেমদুনা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিং হিংজবা ঙম্নবগী থৌরাং অমসু লৈঙাক্না লৌখৎলি। থৌরাং অসিগী মখাদা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা মীওই কয়া থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা হৌজিক থা-থাগী পেন্সন ফংলি। থবক তৌরম্বা নৎত্রগা পেন্সন ফংলম্বা মীওই অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইনা ফেমিলি পেন্সন ফংবসু য়াওরি। চহী য়ামশিল্লক্লগা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংদা খরদং ওইরবসু কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর দি এ) না কুমজা ২০০৪দা অনৌবা নেসনল পেন্সন স্কিম অমা চৎনহনখিবনি। মতৌ অসুম্না পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং (পি এস য়ু) অমদি অনওর্গনাইজ সেক্টরদা থবক তৌরিবা মীওইশিংসু পেন্সন ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। হান্নদি গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংখক্তমক পেন্সন ফংলম্বনি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রবসু লমদমসিদা হৌজিক ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরম্লবা পেন্সনর কয়ামরুম লৈরি হায়রিবসিদি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ফেমিলি পেন্সন ফংবা মীওই কয়াসু লৈরি। পেন্সনর অয়াম্বা মশাগী চহী য়ামশিল্লকপনা মরম ওইরগা মথন্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা মীওই ঙাক্তনি। অদুবু পেন্সনর অমা হিংলি হায়বা উৎনবগীদমক থা ৬ খুদিংগী মরী লৈনবা ত্রেজরি ওফিসতা চৎলগা 'ফিজিকেল এপিয়ারেন্স' তৌবা মথৌ তাই। ইশম-শম্না হায়রবদা থা ৬ খুদিংগী পেন্সনর অমনা ত্রেজরি ওফিসতা চৎলগা ফোটো নমগদবনি। কনাগুম্বগী মতেং য়াওদনা মথন্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমজদ্রবা পেন্সনরশিংনা থা ৬ খুদিংগী ত্রেজরি ওফিসতা চৎলগা ফোটো নম্নবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্নরি। মতম চানা ফোটো হেক নমহৌদবদা থা-থাগী ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম ফংলোইদৌরিবনি।

মতম খরগী মমাঙদা পেন্সনরশিংনা ৱারবসু ৱানা মচা-মশুশিংগী মতেং লৌরগা য়াম্না ৱানা ত্রেজরি ওফিসতা ফোটো নম্বা চৎলম্লবসু হৌজিক্তি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পীরক্লিবা চৈথেং পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লিবসি চহী নৌরিবা অঙাংশিং অমসুং চহী ৬০ হেল্লবা অহলশিংনি। লাইচৎ অসিনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়া শিহনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন্দসু অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুরগা হিংলম্বা মীওই কয়াদি চরা হেনবগী ফীভম ফাওবা লাক্লে। ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই এল ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী অসি লোইশিল্লকপদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মালেমগী মীওই বিল্লিন ৩.৩ রোমগী শেন্থোক লম্বী মাঙহনবিখিবা য়াই হায়রি। লোকদাউন তৌখিবগা লোয়ননা চৎথোক চৎশিন্দা অথিংবা থমখিবদগী লৌমীশিংনা মহৈ-মরোং থাবদা চঙবা পোৎলম লৈবা অমসুং মশানা পুথোকচবা পোৎথোক য়োনবদা অপনবা মায়োক্নখি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা কোভিদ-১৯না হীরম খুদিংমক্তা চৈথেং পীরকপগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা শোকহল্লকখি। লৌনগনবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা মীপূম খুদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা খূৎ-শা শেংনা হামগদবনি অমসুং মীওইবা মশেল ফুট ৬ লাপথোক্না লৈনগদবনি হায়বা ৱাফম লৈঙাক্না লাউথোক্লি। মদুনা মরম ওইরগা অহল ওইরবা পেন্সনরশিং ত্রেজ রি ওফিস তান্না ফোটো নম্বা চৎপদা অৱাবা মায়োক্নরি। অমরোমদা মচা-মশু লৈজবা অমসুং মশাগী গাড়ী লৈজবা মীওইশিংগীদি খরা ফরে। মচা-মশুসু লৈজ দবা, মশাগী গাড়ীসু লৈজদবা পেন্সনরশিংগীদমক্তদি অৱাবগী মশকনি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্না অহল ওইরবা পেন্সনরশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা পান্থে অমা পুথোকপা মতম ওইরে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) "কালোভ্রমর" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) "ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইঙ্খোলদা/লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম/ইরোল-ইরী ফাওনদবা/অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম/ইমা ইচা শকখঙনদনা/মীৎনা উনা উনা মরীসে/শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি/কৌন ঙাঙনবা তানদনা।" শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা "পরিক্ষিত" হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## আলুদা তাগনবা লায়নাশিং খঙদোক্তুনা চেকশিলহৌসি - ২

ডো. এম থোইথোই সিংহ

কোকফাইনা থোকহনবা আলুগী লায়নাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা লায়না খরা হায়বা তারগদি লেট ব্লাইট অমসুং আর্লি ব্লাইটনি (মমাঙদা থমজখ্রে)। অদুবু মসি নত্তবা অতৈ লায়না খরা হায়বা তারগদি (১) ব্লেক স্কর্ফ (২) চার্কোল রোট (৩) পাউদরি স্কেব মমিং পনবা য়াই। হায়রিবা লায়নাশিং অসিগীসু তঙাইফদনা চেকশিনবা চঙই।

**১) ব্লেক স্কর্ফ :** লায়না অসি আলুবু মাঙ তাকহল্লিবা শাথীবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। পুথোকফম থোকপা পোত্থোক্কী চাং লায়না অসিনা অসুক্কী মতিক হন্থহল্লি। মরু ওইনা ৱাঙ্গৈাই, ককচীং, খোইজুমান অমসুং নক্নবা আলু য়াম্না থাবা মফমশিংদা তোয়না থেংনৈ। চীং-তম অনীমক্তা লায়না অসি তাগল্লি।

**লায়ওং :** মপান্থংবা আলু মকুগী শরুকশিংদা চোকলেট মচুগী কন-কন লাউবা হঙ্গাম মরূ মানবা স্কেলরোসিয়াশিং নপ-নপ্তুনা লৈ। আলুগী মনুং থংবা শরুকশিং অদুদি শোকহন্দে। লায়না অসিনা নারবা আলু পাম্বীশিং শিবগী চাং ৱাংই। লম্বীগী মখোঙদসু শৌবোম্বী কাদুনা রাইজোকটোনিয়া ষ্টেম কেঙ্কর হায়বা লায়ওংদু উৎলি। করিগুম্বদা আলুশিংনা পৎপা পুম্বা য়াওরকই। হায়রিবা পৎপা পুম্বগী থবক অসি লৌবুক্তদা থোকপা নত্তনা লীদুনা থল্লিঙৈ মতমদসু পৎ পুম্বগী থবক অসি মখা তানা থোকহল্লি। লায়না অসি চেল্লবা চারাশিংগী নৌনা চোংখৎলক্লিবা অনৌবা ময়োলশিংদা কোকফাই অসিনা লানশিল্লক্তুনা নৌরিবা মফেলদুবু হাৎতোকই। অসুম্না আলু চারাদুদগী অতোপ্পা মমিৎ অমদগী মতোন থোকপদা মতম চঙবনা মরম ওইদুনা ফৈদোমদুদা হৌরিবা পাম্বীশিং অদু অচৌ মচা নাইনা উগনি, চাং মান্নবা ঙমদে। মসিদা নত্তনা থংনবা পাম্বীশিংদা লায়না অসি লানশিনখিদুনা অতোপ্পা পাম্বীশিংদুদগী মখা থংবা মকাগী শরুকশিংদা কোনা মচু মান্না শৌবোম্বী কাদুনা নাহল্লকই। মতুং তারকপদা পাম্বীদু খুইথরকই অমসুং শি। অদুগা মথক থংবা মপাশিংনা শুংবা মচিঞ্জাকশিং মখা থংবা মনাশিংদা য়ৌহনবদা অকায়বা পীবদগী মখাগী মনাশিংদু নাপু চঙলকই।



**লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই :** লায়না অসি রাইজোকটোনিয়া সোলানি হায়বা কোকফাই শুজা অমনা থোকহনবনি। লৈবাক অমসুং আলু চারাদগী লায়না অসি শনে দারকই।

**ঙাকথোক্নবা পান্থে :** (ক) Trichowell গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা থাগদৌরিবা আলুশিং অদু লুপথোকপীগনি অমসুং উরুমদা কংহনবীরগা থাবীয়ু।

(খ) লায়না চেন্দবা মফমদগী লৌবা আলু, অফবা আলু থাগনি।

(গ) কুফ্রি কুবের ফংলবদি থাবা য়াই। লায়না অসি তাগনবা মফমগীদমক্তি।

(ঘ) চারাগী ওইনা লীগদবা আলুশিংদু লীদ্রিঙৈদা এসিটিক এসিদ চাদা অমগী মপাঙ্গল লৈবা হীদাক্কী শরুক অমগা চাদা ০.০৫গী মপাঙ্গল লৈবা জিঙ্ক সলফেট শরুক অমগা য়ান্নরগা মহীদুদা লুপথোকপীহৌরগা উরুমদা কংহনবীরবা মতুংদা লীবা য়াই।

**২) চার্কোল রোট :** লায়না চেল্লবা আলু পাম্বীশিংগী মখোক্তু পৎলকপগা লোয়ননা মখোক্কী (মকু) মচু অদু উৎ মচু মাল্লকই। লায়না অসিনা নৌনা তারিবা আলুশিংদা লানশিনখদুনা আলুশিংবু পৎপা হৌরকই, আলুগী মমিৎশিংদা অমুবা দাগশিং লৈরকই। মতুংদা মিলিলিটর ২দগী ৫ ফাওবা লুথনা মুশিন্দুনা আলুদু শীজিন্নবা য়াহন্দে। লায়না অসি লৈবাক অমসুং আলুদা চেন্নরকপদগী মখা তানা শন্দোরকপনি। লায়না অসি শাগৎলকপা মতম হায়বদি দিগ্রী সেলসিয়স ১৮দগী সেলসিয়স ৩৫ ফাওবা লৈবা মতমদা লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি মপাঙ্গল হেনগৎলক্তুনা লায়না অসি কনখৎলকই।



**ঙাকথোক্নবা পান্থে :** (ক) লায়না চেন্দবা চারাশিং শীজিন্নগনি। অয়াম্বা চীংগী লমগী পুথোকপা চারাশিংদি লায়না অসি নাগন্দে।

(খ) ঈশিং তোয়না চনবীদুনা ঈনিল লৈহনগনি অমসুং য়ারিবমখৈ লৌফমদুগী লৈবাকশিংদু ঈংনা লৈহনবীগনি।

(গ) অঙনবা মখলগী আলুশিং থাগনি। খুদম ওইনা কুফ্রি চন্দ্রমুখি, কুফ্রি অলঙ্কারনচিংবদি লায়নাসি তাগন্দে।

(ঘ) শাগৎলকত্রিঙৈ, লৈবাক্কী মৈশানা দিগ্রী সেলসিয়স ২৮°গী মখাদা লৈরিঙৈদা তানবা নংনবা থাহৌগনি।

**৩) পাউদরি স্কেব :** আলুদা কোনা মচু চঙলপ তৌবা, কোইরোক কোয়বা অপিকপা দাগশিং লৈরম্বদগী তপ্না-তপ্না তোংথোরক্তুনা উরিং মাল্লক্নি। মতুংদা পোকখায়রক্তুনা মফোল ওইনা শনে দাকচবা ঙম্বা স্পোর কয়া থাদোরকপা থেংনগনি। লায়না মখল অসিদি চীং অমসুং তম অনীমক্তা তাবা লায়নানি।



**ঙাকথোক্নবা পান্থে :** লায়না অসিসু ঙাকথোক্নবগীদমক অফবা লায়না চেন্দবা মখলগী আলু থাবা তাই। Cymoxanil 8% + Mancozeb 64% গ্রাম ১০০ ঈশিং লিটর ২০ খুদিংদা য়ানশিল্লগা থাগদৌরিবা আলুশিং মিনট ৩০ তিংহৌগনি। অওন পোত্থা তৌবদা চুজাক, চনানচিংবা য়াওহলহৌবা ফৈ।


আলু চারাশিংদা চেন্নরকপা লায়নাগী কেমিকেল হীদাক থাগদৌবা লৈরবদি Trichowell হাপলোই। মরমদি অসিগুম্বা অহিংবা কোকফাই মখলশিং অসিসু কেমিকেলগী হীদাকশিংনা হাৎখিগনি।

খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবদি হৌখিবা চহীদা লৌফমদুদা আলুদা তাখিবা লায়না খঙদোক্লগা চপ চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হায়বসিনি। ●

## গ্রীন হাওস গ্যাস - শা-ষণগা লৈনরিবা মরী

সরাংথেম জেসমারানি

লমদম অমগী অঙ্গৈং-অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফীভম্না লৈবাক লৈহাও, মনা-মশিংগী পোত্থোক্তা অমদি শা-ঙাগী পোত্থোক্তা অহোংবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেম (পৃথিবী) গী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেম্না নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থল্লি। মসিদসু নত্তনা অঙ্গৈং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্নসু ইনর্জি খরা পুথোকপা মথৌ তাই। মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা গ্যাস অসিবু গ্রীন হাওস গ্যাস হায়না খঙনৈ। মসি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরি। হায়রিবা গ্রীন হাওস (কার্বোন-দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরোকারবোন) অসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপা ওইবসু য়াই। গ্রীন হাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিংগী মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরমখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রীন হাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হিংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বদা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক-খা ওন্নবগুম অঙ্গৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্নগদৌরি।




মাইক্রোবিএল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মিথেন গ্যাস পুথোকই। হায়রিবা মিথেন গ্যাসসি শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা-ষণদা চাকখাও মরি পানবা (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াও অসিনচিংবা) গা পান্দবগা মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাংদম্নবদা চাকখাও মরি পানবদনা হেল্লি। চাকখাও মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজিক্লা নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই অদুবু নোংমদা ষণবী অমনা য়ামদ্রবদা কেজি ৪০গী শজিক্তি চাবা ঙম্মী। মখোয়না চাশিন-খ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোত্থারগা থকলোমদা হাইদোরকপা মতমদসু মিথেন গ্যাস অসি পুথোরকই। শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মিথেন গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচিঞ্জাক্তা মিথেন গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি অদুগা ক্বালিটি য়াম্না মচিঞ্জাক পীজরগদি মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংই।

**অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়রকপনা ষণগী পোত্থোক চাথোক্তা মরি থোক্লা অকায়বা পীরি। মখোয় অদুদি :-**

- শা-ষণগী মচিঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা।
- শা-ষণনা চানবা অফবা মখলগী শজিক থাবিবা অমদি লৌবুক লম্ধাংদা হৌরিবা শজিক খুদিংমক্কী পোত্থোক অমদি শজিক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকপা।
- অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই।
- কা হেন্না অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষণশিংগী শারেপ ফানবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লি।

**গ্রীন হাওস গ্যাসকা ষণগা লৈনরিবা মরী :-**

- শা-ষণদা পীজরিবা শজিকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই। হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফ্যুৱল কয়া অমসু চঙই। হায়রিবা ফোসিল ফ্যুৱলসি শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিল্লিয়ন টোন ৪০গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।
- শা-ষণনা চানবা শজিক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।
- শা-ষণনা চাশিল্লিবা মচিঞ্জাকশিংসি মথং মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা হোৎনবদা মিথেন গ্যাস পুথোকই। মিথেন গ্যাস পুথোক্নবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টরিয়াসি মথি ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা চিঞ্জাক অমদি মখোয়গী দাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।
- শা-ষণগী মচিঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লেমহৌবনা নাইটরস ওক্সাইদকী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথি ময়ুং নীংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং ৱাংহল্লি।

মালেম অপূনবগী ওইনা কার্বোন-দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষণনা চাদা ৯ পুথোকই। মিথেন গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ পুথোকই অদুগা নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৩.৬৫গী চাংদা পুথোকই।

**গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ? :-**

- শা-ষণনা চারিবা শজিক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনবা হোৎনবা।
- য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্না নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকলদা ফংলিবা শজিক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবা।
- ফোসিল ফ্যুৱল চাং হন্থনা শীজিন্নবা।
- শা-ষণশিংসি শঞ্জাবুংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা।
- মথি ময়ুংশিং লম্ধাংদা চাইথোক্লবনিনা মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি।
- করিগুম্বা মতমদসু লৈবাক্তগী দি নাইত্রোফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষণনা শঞ্জাবুংদা শজিক চাবা মতমদা মথি ময়ুংশিং ফাইদোক্লিবশিং অসি ঈশিংনা নীংথিনা চাইথোক্লগদি নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

ঐখোয়না গ্রীন হাওস গ্যাস চাং হন্থনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হিংনবা কাঙলোন চুম্না শা-ষণ লোয়নবা হোৎনসি। ●